ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯰꯴, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯶꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, সেপ্টেম্বর ০৪, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১৬১ শুবা মশীং

এম দি এসকী ৱাথোক

মরাল লৈবশিং থিদোক্লবা লৈঙাক্কী খোঙথাং তরাম্না ওকই

মণিপুর দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম দি এস) হায়বসি সোসাইটি অমগী মখাদা লিংবা এঞ্জিনিয়ারিং সেল অমনি। মরু ওইনা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎননবা শেনফমশিং সোসাইটি অসিগী একাউন্টতা শিন্নরগা থবক ওইনা পায়খৎহন্নবগী লৈঙাক্না লিংখৎপনি। দিপার্টমেন্টশিংগী মকোক অমদি মরী লৈনবা মিনিষ্টরশিংনা সোসাইটি অসিদা শেল শিন্নরগা মখোয়-মখোয়গী থবকশিং অদু পায়খৎহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লখিবগী ৱারী কয়ামরুম লৈ। ষ্টেটকী পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসি য়াম্বা মরম্না লৈঙাক্কী থবক থৌরম পুন্নমক শিন্নবদা খুদোংচাদবদগী এম দি এসকুম্বা সোসাইটি কয়ামরুম লিংখৎখিবনি। ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌবা, তৌদবা হায়বা অদুনা অমা ওইরগা মণিপুরদা এম দি এসনা তোঙান-তোঙানবা থবক কয়ামরুম পায়খৎলম্মী। থবকশিং অদুগী মনুংদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস অমসুং টুরিজম দিপার্টমেন্টকী থবকশিং য়াওই। খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স শেমজিন-শাজিনবদগী হৌরগা লোক্তাক্কী তকমুদা পায়খৎপা স্পোর্টসকী মচাক-মথুমশিং শেমগৎপগী থৌদাং শিন্নৈ। মসিগীসু মথক্তা ষ্টেট অসিগী চীং অমসুং তমদা লৈরিবা টুরিষ্ট স্পোটশিংসু এম দি এসকী মখাদা শেমগৎ-শাগৎখি। মিনিষ্টর খরা, এম এল এ খরা অমদি দিপার্টমেন্টশিংগী মকোকশিংনা এম দি এসতা শেল দিপোজিৎ তৌরগা মখোয়গী থবক পায়হন্নিংবগী মরু ওইবা মরমশিং অদুসু থবক তৌবদা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌহন্দবগী মচাক অমা ওইগনি হায়না মতম কয়াগী মমাঙদগী হৌনা ঙাঙনদুনা লাকখি। এম দি এসনা পায়খৎপা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী থবকশিংগী মনুংদা খরদি মপূং ফানা লোইশিঞ্জরবসু অয়াম্বদি লোইশিল্লমদবা, মওং চুম্না পায়খৎলমদবা অমসুং ক্বালিটি কন্ট্রোল নিংথিনা তৌরমদবগী ৱাথোক্না পীক থল্লি। ৱাকৎ কয়ানা পীক থল্লবা সোসাইটি অসিদা করিগীদমক্তা লৈঙাক্কী মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবশিংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না শেল দিপোজিৎ তৌরগা থবক পায়হনবনো হায়বসিমক থিগৎপা য়াবা অচৌবা মরম অমনি। এম দি এসনা য়াল্লবা শেনফম কয়ামরুম মাঙহনখ্রে হায়বসি ঙসিদগী চহী কয়াগী মমাঙদগী হৌনা তানখ্রবনি। মতম অমগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ওক্রম ইবোবী মশামক্লসু এম দি এসকী ৱাথোকশিং অসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রগসু মরাল লৈ হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা চৈরাক পীননবা থবক অমত্তা তৌরমদে হায়বা য়াই।

হৌজিক্তি ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না মীখলগী মতমদা মীয়ামদা ৱাশকখিবা ৱাফম অমা থবক্তা ওন্থোক্লে হায়বদু এম দি এসকী স্কামদা চেন্নবশিং থিদোক্লনবা সী বি আইদা শিন্নখিবনা তাক্লবনি। সী বি আইদা শিন্নখিবগী মখা তারকপা খোঙথাং ওইনা কনাগী মথক্তা থিগৎকদৌরিবনো হায়বদু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মখাদা লৈবা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী, হান্না চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা মীওই অহুম, এম দি এসকী মেনেজিং দিরেক্টর য়াম্বেম নিংথেম, এম দি এসকী এস ও, এম কুমারজিৎকী মথক্তা এফ আই আর অমা লৌখৎখ্রে। চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী, চীফ সেক্রেটরি ওইরম্বা দি এস পুণিয়া, পি সী লমকুঙা অমসুং ওইনাম নবকিশোর মতম শাংবা নৎত্রগা শাংদবা থিদনা এম দি এসকী চ্যেরমেন ওইরম্মী। এম দি এসকী চৎন-কাঙলোন মতুং ইন্না শেল কায়থোকপদা চ্যেরমেনগা মেম্বর সেক্রেটরি ওইরিবা মেনেজিং দিরেক্টরগা অনীমক কাউন্টর সাইন তৌমিন্নৈ। মসিননি লুপা ক্রোর ১৮৫.৭৯ গী শেনফম মথোং-মরম খঙহন্দনা মাঙহনখিবগী মতাংদা চ্যেরমেন ওইরম্বশিং চেন্নব্রা হায়বা থিদোক্লনবা এফ আই আর লৌখৎলিবনি। ক্রিমিনেল কেস ওইবা মরম্না কেস অসিগী মখাদা সী বি আইনা হৌজিক্তি মখোয়বু ৱাহং-পাউহং তৌবা ঙমহল্লগনি। মসিগীসু মথক্তা মফম মতমগী মতুং ইন্না মখোয়বু ফারগা জেলদা থম্বগী মতীক ময়াইসু সী বি আইদা লৈহল্লগনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি এম দি এসনা মাঙহল্লি হায়রিবা শেনফমশিং অদু মীয়ামগী শেলনি। মীয়ামগী শেনফমদি নয়া পৈশা অঙাঙবী অমা মাঙহনবা য়ারোই। লৈঙাকনি মতম-মতমগী মখোয়না ঙস্বা লৈগনি। অদুবু লৈঙাকপশিংনা অরানবা তৌরকপদা লৈবাক অসিগী লো লৈবনা মখোয়বু মতম অমদা হেক্তমক চৈরাক পীবা য়াই হায়বদু হন্দক্কী থৌদোক অসিনা তাকই। এফ আই আর লৌবদা অশোয়বা খরা য়াওবগী খুদম ফংজরগসু কেস অসিগী মেরিট মাঙহন্দনবা মরী লৈনবশিং হোৎনহন্নিংই। বোম্না হৌরগা পোকলাউবীনা লোইবগী থৌদৌ তৌহন্নিংদে। মরাল লৈবা খূদিংমক চপ চাবা চৈরাক ফংহনবদা মীয়াম্না মতেং পাংসি। লৈঙাক্কী ওইনসু হন্দক্কী খোঙফম অসি অচৌবা শিংনবা অমনি হায়না লৌদবা ঙমদে। মীগীদা য়েংশিনবা হৌরবনিনা ঐখোয়সু চুম্না চৎলসি হায়বা মেসেজ অসি লৈঙাকপশিং, থৌবাঙলোয়শিংদা পীবিরো হায়জনিংই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

ইন্দিয়াগী লৈঙাক্তা মণিপুরগী ইম্পোর্টেন্স

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

পাক-চাওরবা ইন্দিয়াবু অঙ্গ্রেজশিংনা লোই চল্লম্বা অদু হুমাং ইতা তাদনা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসিতনা লোই চল্লম্বনি। অদুবু খুজিল মমাইমুক্তা পাকপা মণিপুরদদি মদুগী পোলিসি অদু চৎনদদুনা খোংজোমদা অকনবা লাঞ্জাউ শোক্নরবা মতুংদা মখোয়না ঙমখিদুনা লোই চল্লম্বনি। থাক অসি য়াম্না থীনা খেন্নরিবনি।

লাইবক থীবদি অতোপ্পা পোলিসি অমনা ইন্দিয়ানা শিলোং একোর্দতা ফিগ্রী অমা তৌদুনা নিংথৌ বোধচন্দ্রবু চাক্তৌবগী মওংদা কৌরগা হরাউনা লাক্লবদা মদুদা লানফা ওন্থোক্তুনা মণিপুর ইন্দিয়াদা তিল্লে হায়বগী খূৎয়েক নমফু-হাফুদা লৌখিবনি। মসি ইন্টরনেসনল কোর্টতা ৱাকৎলবদি মণিপুরনা মায় পাকনীংঙাই ওইরিবনি। মদুগী শাখি ইংলেন্দনা ওইগনি। লোয়ননা মতম অদুদা রাজকুমার প্রিয়োবর্ত্তনা লুচিংবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর লৈরিবনি।

নিংথৌদি নোমিনেল হেদনি, কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরগী অয়াবা য়াওদনা নিংথৌনা করিসু তৌবা য়াদবা, ঙমদবা আইন লৈরিবনি। হৌজিকসু ৱাথোক মায়োক্নরিবনি। মসি তরাই তরাইনা খনবা চুল্লোই। মরমদি লম্বা থেংনগদৌরিবা অসি ইন্দিয়াদগী শক্তি হেনবা অমেরিকাবু উশিৎত্রিবা চাইনানি। মতাং অসিদা লুরিবদি ইন্দিয়াগী এক্ট ইষ্ট পোলিসি অসি খজিক্তং শোয়বদা নোংপোক থোঙ হাংবগী মহুত্তা নোংপোক, নোংচুপ খায়বরোমদা লাকপসু য়াবগী মমি চাউনা তারি, ৱাখল চনিং তাদবা য়ারক্তবা মতাং লাক্লিবনি।

অদোমগী - ডা. অকোইজমচা নারেন
নিংঙোম্থম ইম্ফাল ৱেষ্ট

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৬

১। অরিবা মীতৈলোন ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু :
(ক) খামলৌ (খ) নোইনু
২। ‘‘মেলৈ লৈস্না নুংজুম্বান/কদাম্বদি লৈনুংশি/লৈরাং লৈচল খঙদনা/মাঙগদবা পাম্মুইদা।’’ কবি চাউবনা হায়রম্বনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। ‘‘ঐগী মরুপ কবি অমনা/ঐগী মরমদা হায়খি/মহাক অশাউবা কবি ওইরম্বদগী/উতোন ৱাতোন য়েংবা/নোংথক কবি ওইরক্লে।’’ নোংথক কবিনি হায়রিবসি কনাবুনো?
৪। ‘‘অরিবতবু পামজরম্বা/… পন্থৌ নঙগী কবিতানা/মশা খপ্পা চবুল চবুল/ইমাঙসিদা পাইররি।’’ কবিয়ত্রী ভানুমতিনা হায়বনি। ‘পন্থৌ’ হায়রিসি কনাবুনো?
৫। ‘মোমোন নোকহৌবী সিআম’ কৌবা লমকোয় ৱারী লাইরিক অদুগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

লৌমীশিংগী কাখল

লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
ডা. এম থোইথোই সিংহ

১. কোবী চারা (লীংথোকপা য়াদ্রিবা) শিংদা ৱাহিক অমুবা ময়াম অমা তাশিনবদগী চাউখৎপা ঙমদনা শুংজিন্দুনা লৈরে। মসিদগী নুমিৎ ১০ নি ঙনখৎনা হুনখিবা চারাশিংদি লীংথোকপা য়ারে। করম্বা হীদাক্না তীলনাসি ফহনবা ঙমগদগে?

- এন ইন্দ্রকুমার
শল্লুংফম

⇨ Diamethoate 30% (Rogor) মিলিলিটর তরেৎ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা মনাগী শরুক পুন্নমক চোৎনবা কাপথোকসি। নুমিৎ মঙানি লৈরগা চিংখৈৗবা তীলশিং হাৎনবা অমুক হন্না কাপসি।

২. হৱাই থরাক মমিৎ মুবীদু খরা থাগে খন্না শেম-শাজরি। মনা ঙাংলগা কংশিনবী লায়নাদু পাম্বীনা পীক্লিঙৈদা নাগল্লি। লায়নাদুমক হৌখিবা চহীদসু থেংনখি। মসিদগী ঙাকথোক্লবা অরায়বা পাম্বে খরা খঙজনীংই।

- শাপম ইবোপিশক
তেন্থা

⇨ মরূ কিলো অমদা Trichoderma Viridie গ্রাম ১০ অমসুং ঈশিং মিলিলিটর মঙা হাপ্লগা তোৎলসি। থাফম শেম্বা লোইরবা মতুং থারমদাইমক্তদা তৌহৌবা য়াবা থবকনি। অচোৎপা মফমদা থাবা হৱাই মনা ঙাংগল্লি। ঈশিং হেনজিনখিবদগী মনা কংবসু য়াওই।

৩. ঐগী লৌফমসি চহী খুদিংগী ৱাহিক তাই। হৌখিবা চহীদা ৱাহিক্কী হীদাক মখল কয়া কাপখি অদুবু কান্নবা ফংখিদে। হন্দকসু তীলনাসি লাকশিনবা ৱাগদ্রা চিংনৈ। করম্বা থৌরমশিং পাঙথোক্লগা তীলনাসি ঙাকথোকপা য়াগদগে?

- কালাচান সিংহ
চরাংপাৎ

⇨ ৱাহিক হায়বা শম্না খঙনরিবা Hopper শিং লাকশিন্নবা হীদাক মখল য়াম্না লৈরে। অদুবু হীদাক খুকাপ চুমদ্রবদি হীদাক্কী কান্নবা ফংদে। শঙম অমদা হীদাক য়াল্লবা ঈশিং লিটর ১০০ চঙই। স্প্রেয়র পম্প অনীখক্লা শঙম অমা থুংনা কাপ্পদা তীলশিং লাকশিনবা ঙল্লোই। লিটর ১৬ চনবা স্প্রেয়রদু তরুক্লক ওনবা চঙই। লৌফম ঈশিং থাদোক্লগা কাপ্পনা হেন্না ফৈ। ঈশিং ঈরিগকা লৈনবা লৌফম ওইরবদি Organic Oil, Hortimin ওইনা কাপকনি। মিলিলিটর ২৫ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপকনি। শঙম অমা চাউবা লৌফমদা হীদাক মিলিলিটর ১৫০ খক চঙই।

মথঙগী চহীদদি ফৌ খরা লন্না থাসি অমসুং ফুট ১০ খুদিংগী ফৌরক লম্বী থমসি। খা-ৱাং ওইহনসি। লৌফমদুদা কা হেন্না ৱাংবা ফৌ থারোইসি।

৪. পুখ্রি মপান অকোয়বদা পুংথোন পাম্বী ১৫ মুক থাই। মনম নুংশি, হাওই। অদুবু মনুংদা হন য়াম্না য়াওবা থেংনৈ। হীদাক কাপকদবদুসু কিদনা কাপত্রে। শীজিন্নরিবা পুখ্রিদুদা তীল হীদাক তাহন্নীংদে। করম্বা পাম্বেনা তীলশিং মখা তানা লৈহন্দবা য়াগদগে?

- নিংঙোম্থম ইবোবী মৈতৈ
মৈত্রম

⇨ লাঙ থাক্লগা মখা তানা শন্দোকহন্দবা য়াগনি। মসিগীদমক Flight-T অমসুং Bador Lure শীজিন্নগনি। Flight-T সি চফুগুম্বা অমনি; Bador Lure না তীল মপিশিংদু পুশিল্লকপা ঙম্বা মনমনি। শঙম অমা চাউবা মফমদা লাঙ অনীখক্লা তীলশিং লায়না লাকশিনবা ঙম্মী।

৫. অঈংবা মতমদা পুথোকপা য়াবা মোরোক মখলগী চারা খরা হুনবনি অদুবু ককচেংনা হোনবা হৌরে। লৌফমদা শীজিন্নখিবগী অরেম্বা হীদাকশিং কাপথোক্লবসু ককচেং হাৎপা ঙমদ্রে। নুমিৎ মরি-মঙাগী মনুংদা হাৎহৌদ্রবদি মোরোক চারা অমত্তা ফংলরোই। কাপ্পা য়াবা হীদাক অমত্তা খঙজগে।

- মাইবম পারী
শগোলতোংবা

⇨ ককচেংগীদমক্তি Chlorpyriphos 20% মিলিলিটর ৩০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোকপা য়াই। তশেংবদি মনা-মশিংগী ওইনা থাবীবশিংদা কাপ্পদ্রে। অদুবু পীক্লিবা চারা ওইবনা থোইনা কায়দে। অতোপ্পা তুং কোয়না শীজিন্নবা য়াবা অমনা Pacer নি। মসিদি কোকফাই মখল অমগী Culture নি। খুদক্তা ককচেং হাৎপদি ঙমদে। অদুবু ককচেংশিংবু লায়না নাহল্লগা হাৎকদবনি। মতম চঙই। শীজিন্নবগী চাংনা ঈশিং লিটর খুদিংদা Pacer *(Metarhizium anisopliae)* হায়না খঙনবা কোকফাইগী Culture সি গ্রাম ১০ হাপ্লগা ককচেং নৎত্রগা লৈশৌশিং চোৎনবা কাপথোক্লবদি তুং কোইনা কান্নবা ফংগনি।

এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা,
ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং
চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]
চিঠি থারকফম
এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ
সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১
নৎত্রগা
অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল hueiyenagri@gmail.com দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।

পাম্বীদা হার হাপ্পগী মওংশিং

এস সুমঙ্গোল সিংহ

ঐখোয়না থানরিবা মহৈ মরোংশিং মশা মউ ফনবা, পোথোক য়াম্না পুথোক্লবা অমদি শেন্দোং লৈনবগীদমক হার হাপ্পগী তঙাই ফদবা লাকই। মতাং অসিদা ঐখোয়না হার চাইবগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা ৱাফম কয়ামরুম লৈ। মখোয়শিং অদুদি করম্বা মখলগী হার চাইগনি, কয়া য়াম্না চাইগনি, করম্বা মতমদা চাইগনি, অমদি করম্না চাইগনি হায়রিবশিং অসিনি। মখোয়শিং অসিগী মনুংদা হার চাইবগী মওংশিং হায়বদি করম্না চাইগনি হায়বা অসিসু য়াম্না মরু ওইবা অমনি খঞ্জরগা হার চাইবগী মওংশিংগী মরমদা খরা খঙজিনমীন্নসি।

য়াম্না চাউনা খায়দোক্লবদা হার চাইবগী মওং অসি অহুম থোক্না থম্বা য়াই। মখোয়শিং অদুদি, ১) ব্রোদকাষ্টিং (পাক শন্না ফৌদী হুনবগুম লৌফম শীন্থুংনা চাইবা, ২) লোকেলাইজ এপ্লিকেসন (মচি মচিদা চাইবা), ৩) মনাদা চাইবা অসিনি।

১) ব্লোদকাষ্টিং ঃ

ফীভম কয়া অমদা ঐখোয়না হার অসি লৌফম শীন্থুংনা চাইদবা য়াদবা মতাং লাকই। অসিগুম্বা মওং অসিদা অয়াম্বা মতমদা চাইরবা মতুংদা ষণপোৎ নীংথিনা খোয়জিন্নৈ। নৎত্রগনা করিগুম্বা ফীভমদনা চাইরবা মতুংদা নোং ঙাইরগা নোংগী ঈশিংনা নৎত্রগা ঈশিং চাইদুনা পাম্বীগী মরা য়ৌনা চঙখিনবা হোৎনৈ। অসিগুম্বা মওং অসিদি লম য়াম্না পাক শন্না চাইনবগীদমক হার য়াম্না চাইদবা য়াদবা মতাংদা শীজিন্নৈ। অসিগুম্বা মতাংদদি হায়রিবা মওং ব্রোদকাষ্টিং অসিনা খূৎশুমন অমদি পাঙ্গলগী মতাংদা খুদোংচাবা হেল্লি। পাম্বী পাক শন্না থাবা হায়বদি ফৌ, থাউগীদমক থাবা হঙ্গাম, মঙ্গন পাক শন্না হুনবা, অসিনচিংবদা হায়রিবা মওং অসি তঙাই ফদনা শীজিন্নদবা য়ারক্তে। মসিনা পাম্বীশিংদা চাং মান্ননা মচীঞ্জাক ফংবা হেল্লি। অসিগুম্বা মতাংদদি পাম্বী হৌদুনা লৈবা মরম্না চাইরিবা হার অদু লৈবাক্তা খোয়জিনবগী তাঞ্জা ফংদে। অদুবু তৌদবদি য়াদবা অমা ওই। অসুম্না পাম্বী হৌরিঙৈ মতমদা চাইবগী মওং অসিবু তোপ দ্রেসিং হায়নসু খঙনৈ। মতাং অসিদা পনবা য়াবা অমনা লৈবাক্তা লৈবাক লৈহাওনা য়াম্না চেৎনা ফাজিনগনবা মচীঞ্জাকশিং খূদম ওইনা ফোস্ফোরস, জিঙ্ক, মেঙ্গনিজনচিংবশিংদি ব্রোদকাষ্টকী মওং অসি পাম্বী মনাক্তা চাইবা মওংনা য়াম্না হেন্না কানবা হেল্লি। তঙাই ফদনা তৌদবা য়াদবা ফীভম ওইবনা ব্রোদকাষ্ট তৌবগী ৱানি। মরম অদুনা ব্রোদকাষ্ট তৌদবা য়াদবা মতাং ওইরবদি পাম্বী মনাক্তা চাইবা মওংদগী শরুক অনী হেন্না হার অসি তঙাই ফদনা হাপ্পা তারকই। হায়বদি পাম্বী মনাক্তা চাইবনা কান্নবা য়াম্না হেল্লি হায়বনি। ব্রোদকাষ্টকী মওং অসিদা নোং হেনমনবদগী নোংগী ঈশিংনা হার চেন্থখিবগী খূদোং থীনিংঙাইসু য়াম্না লৈ।

করিগুম্বা মতমদা স্প্রিংক্লর শীজিন্নদুনা ঈশিং চাইবা মতমদা ঈশিংদা হারশিং তুমহল্লগা পাক শন্না চাইবসু ব্রোদকাষ্ট ওইনা লৌনৈ। পাম্বীনা পরেং নাইনা থাবা অমদি লন্না হৌরিঙৈ মতমদদি পাম্বীনা ফংলোইদবা মফমদা হার তাশিন্দুনা পাম্বীনা ফংবগী মহুৎতা নাপীনা অরেম্বদা তাখিনবসু ওইবা মতাং থেংনৈ।

২) মচি মচিদা পাম্বীগী মনাক্তা চাইবা (লোকেলাইজ/পোইন্ট এপ্লিকেসন)ঃ মহৌশাদি পাম্বীগী মরানা শন্দোক্লিবা মফমদা হারশিং মমুৎ তানা য়ানশিন্দ্রবদি পাম্বীনা নীংথিনা ফংবা ঙমদে হায়না খন্নরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি অকক্লবা মফম অমখক্তা পুন্না লৈবা মচীঞ্জাক অদু পাম্বীগী মরাগী শরুক খরখক্লা ফংলবদি পাম্বীগী দরকার লৈবা খূদিংমক শীজিন্নবা ঙম্মী হায়বা খঙলে। মতাং অসিদা চেকশিনগদবা অমনা ইকোই কোইনা পাম্বীগী মখোঙদা হাপ্পা হারগী ময়াক্লা অপিকপা পাম্বী নৎত্রগা মরুদগী মতোন থোক্লকপা মতমদা পাম্বীবু হাৎপা থেংনদবদি নৎতে হায়বসিনি। চেকশিনবা তাই। অসুম্না পাম্বীগী মনাক্তা হার পুন্না হাপ্পগী কান্নবা অনী পনবা তারবদি- অহানবদা লৈবাক্তা তোৎশিন্দুনা লৈবাক লৈহাওনা পাম্বীগী মচীঞ্জাক ফাজিনখিদুনা পাম্বীনা ফংবা ঙমদবা অদুদগী কনবা, অনীশুবদা পুন্না হাপ্পা মতমদা লৈবাক লৈহাওগী ঈশিংদা তুল্লবা হারগী ময়াক ৱাংবা মরম্না পাম্বীনা য়াম্না লায়না য়াম্না চুপখৎপা ঙম্বা অসি পনবা য়াই। মচি মচিদা চাইবগী মওং খরা য়েংমীন্নসি।

১) ষ্টারটর এপ্লিকেসন ঃ

খরা ঈংলিঙৈ মতম, বসন্ত হৌগৎলকপা মতম, পাম্বী নৌনা থাবা মতম, পাম্বীনা হৌগৎলকপা মতম, মচীঞ্জাক য়াম্না দরকার লৈবা মখলগী পাম্বী ওইরবা অসিনচিংবা ফীভমশিংদা ষ্টারটর দোজ পীবদা হার চাইবগী মওং অসি তঙাই ফদনা শীজিন্নদবা য়াদে। মতাং অসিদা পাম্বীগী অকোয়বদা মরা থেংহন্দনা হার হাপ্পনা খুদোংচাবা য়াম্না পী। মরু ওইনা পাম্বী অমা হেক লিংথোকপা মতমদা মওং অসি শীজিন্নবা য়াম্না কান্নৈ। খুদম ওইনা কোবী পাম্বীনা হেক লিংথোকপগী হৌননবা ঈশিং চাইবা মতমদা চাইরিবা ঈশিংদা চাদা ১গী (ঈশিং লিটর ১০দা গ্রাম ১০ য়ানবা) চাংদা য়ুরিয়া য়াল্লগা চাইবা মতমদা খূৎলোনবা থুগনি। মওং অমদনা অমুক-নৌনা থোক্লক্লিবা মতোন্দা হারনা শোকহনবা য়াবা মরম্না মরু লিংবা মতমদা মরুগী মখাদা য়ামদ্রবদা সে:মি: ৫ লুথনা অমদি নাকন্দা সে:মি: ৫ হন্দোক্লগা হার হাপ্পীগনি। হায়রিবা মওং খূদিংমক অসি মচি মচিদা হার হাপ্পগী মওংনি।

২) হার মহী হাপ্পা ঃ

হার মহী হাপ্পা অসিসু মচি মচিদা চাইবগী মওংনি। ঈশিংদা তুমহল্লবা হার, ষন্থিগী শেল্লবা মহী নৎত্রগা ষণয়ুংনচিংবা মহীগী হার হাপ্পদসু মওং অসি শীজিন্নৈ। লৌফম শীন্থুংনা চাইবদগী পাম্বীগী অকোয়বদা হাপ্পনা কান্নবা য়াম্না হেল্লি। মওং অসিদি থারিবা পাম্বীগী পরেংগী নাকন্দা চুরি হন্দোক্লগা মহী হৈরবা মতুংদা লৈবাক্লা অমুক খুমজিনবীবগী মওংনি। মওং অসিদি পাম্বী থাদ্রিঙৈদা চুরি খরা লুনা সে:মি: ১০ মুক লুনা হন্দোক্লগা মহীশিং হৈরগা অমুক লৈবাক খোপচিল্লগা পাম্বী থাবগী মওংনি। অদুবু য়ুরিয়া, দাইমো, ম্যুরিএট ওফ পোটাশনচিংবগী মহী ওইনা শেল্লবা (চাদা ১-২) (ঈশিং লিটর ১০দা হার গ্রাম ১০০/২০০ য়ানবা) হারশিংদি পাম্বী মখোঙদা অদুমক হৈবীবা য়াই। অসিগুম্বা মহী অসিদি পাম্বী পীকপা চাউবগী মতুং ইন্না পাম্বী অমদা হার কয়া য়াম্না ফংহনবা য়াই হায়বদুগী চাং য়েংলগা অথীৎপা মহী কয়া য়াম্না হৈগনি হায়বদু খঙবা তঙাই ফদে। খুদম ওইনা অপীকপা মনা মশিং পাম্বীশিংগী ওইনদি পাম্বী অমদা পৱা অমদগী লিটর মখায় অমা ফাওবা চাইবা য়াই। অচৌবা উহৈ-ৱাহৈ পাম্বী ওইরগদি লিটর ১০-২০ চাইবা ফাওবা য়াই। অমরোমদনা উহৈ পাম্বী, উজাওনচিংবগী মখোঙদা হার হাপকে হায়রবদি মনানা শন্দোক্লিবা লৈমায়গী শরুক্তা পাম্বী মউদগী থাগায় অমা লাপথোক্লা মখুন মচা মচা তৌথোক্লগা হারগী লৈবাক্লা নীংথিনা তোৎশিন্নরবা মতুংদা মখুনশিং অদুদা হাপ্পীগনি লোয়ননা ঈশিং চনবীগনি।

দ্রিপনা ঈশিং পীবদসু হার য়াল্লবা ঈশিংনা পীবা য়াই। হায়রিবা মওং অসিদসু হারগী চাং চাদা ১-২ দা শেম্লগা অদুমক মতম মতমগী ওইনা অদুমক চাইবনা পাম্বীদা তাঙ্কক খূদিংমক্তা হার ফংহনবগী খুদোংচাবা লৈ।

৩) মনাদা হার চাইবা (ফোলিয়র এপ্লিকেসন) ঃ

মাইক্রোন্যুট্রিয়েন্ট, য়ুরিয়া, এন পি কে নচিংবা চাইবদা মনাদা অদুমক চাইবা য়াই। মাইক্রোন্যুট্রিয়েন্টশিংদি অমুক অনীরক চাইবদা পাম্বীদুগী মপুন্সি অদুমগী নৎত্রগা কুম অদুমগী কোন্নবা ঙম্বা মরম্না মনাদা চাইবনা খুদোং চাবা য়াম্না হেল্লি। অদুবু মেজর ন্যুট্রিয়েন্টশিংগীদমক্তি খরমখৈ মেনখৎপা নৎতনা মনাদা চাইবখক্লদি মপুং ফাবদি ঙমদে। য়ুরিয়াগুম্বা চাইবদা চাদা১-২ হায়বদি ঈশিং লিটর অমদা গ্রাম ১০-২০ দগী হেন্না চাইরবদি মনা চাকথেকপগী খুদোংথীবসু লৈ। মনাদা চাইবগী কান্নবা অমনা হীদাক লাংথক্লা লোয়ননা কাপ্পগী খুদোংচাবা অদুনি। য়ারিবমখৈ অয়ূক অঙনবা নৎত্রগা নুমিদাংৱাইরমদা চাইবনা খ্বায়দগী ফৈ। মতাং অসিদা খঙজিনবা য়াবা অমনা থাবী, মাইরেন, শেবোৎনচিংবা ককরবিটকী পাম্বীশিংদদি মনাদা য়ুরিয়া মহী কৈদৌনুংদা চাইবা য়াদে।

মথক্তা থমজরিবা হার চাইবগী মওংশিং অসি দরকারগী মতুং ইন্না মওং খূদিংমক অদুমক লোইনা শীজিন্নবা য়াবা মতাং লৈতবা নত্তে। ঐগী ঐগী দরকারগী ফীভমগী মতুং ইন্না অদুমক শীজিন্নদুনা হার নীয়ম চুম্না শীজিন্নরসি।